# হি লানবগী লীলা য়েংলুবদা

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

**ঐনা** অঙাং ওইরিঙৈ হায়বদি পুংকক চাউরকপা মতমদা থৱায় তানা য়েংজখিবা কুম্মৈ খরা লৈ। লাই হরাউবা, খোংজোম পর্ব্ব, পেনা ঈশৈ ফাংনবা, শুমাং লীলা, দ্রামা, ৱারী লীবা, গৌড় লীলা, রাস লীলানচিংবনি। আজাদ হোলদা ইচে বিজয়াগা লোয়ননা টিকেট কক্তবীদা লিংশিল্লগা সিনেমা খুদিংমক য়েংখি। থাবল চোঙবসু চিংখদে, য়েংবদু পেন্দ্রদুনা ফন চোঙশিল্লগা য়াওই। মতমদুদি শুমাংদা চোঙবনিনা মী য়াম্না চন্দে। লৈশাবী-পাখং য়ামশিল্লকপা মতমদা 'অঙাংখৈ তোক্লো' হায়দুনা হেক্তমক তান্থোকপীরকই। কপ্লীং-কপ্লীংনা থোরকখি। শাউনীংদুনা ঐখোয়না ফল্লিবা মপাদু য়ৌরকপদা নুংশিদবা লৈশাবীগী মখোঙদা খূজিলনা শীকলুই। মানা ফ্রং-ফ্রং চোঙবদু উরগা ঐখোয়না পেন্না নোকখি। শুংয়েং হেক য়েংখিদবা কুম্মৈ খরা য়াওখি। মরুওইনা হৈক্রু হিতোংবা হায়বদি হিয়াং তান্নবা কুম্মৈনি। কুম্মৈদুসু পাম্লুদবগী নত্তে। মীগী য়ূমগী মনীং ৱারক্তা ফাও ফাওদুনা চেনবদু তনবগীনি। মতমদুদদি সেনিটরি লেত্রিন অমত্তা লৈনরমদে। ৱাখোঙদা ওইনরম্মী, মথক কুপ্তুবীদা। তুরেল মপান্দা, ৱাখোঙ ৱারক্তা, অকংবা, অপেৎপা খিন খিন্দুনা লৈরমগদবদু খনবদা য়েংখিদবনি। কাং চিংববুদি থৱায় য়াম্না য়াওখি। নাসপাতি, কফোই, থম্বালনচিংবা চাইথরকপদু খুন্ননবনি। লৈকায়গী ইচেশিংনা কৃষ্ণ জন্ম, থৌরানি জন্মনচিংবদা তপ তাখৈ কেরগা মখোয় মখোয়গা খঙনজবশিংদুগা লিক্কোন শান্নবসু য়েংবদা মথেন অমা ওইনা য়াম্না নুংঙাইখি। লাইয়ুম মথক্তুদা সনা খুদোপ ফজবা অমগা থল্লদুনা। মখোয় মশেল মীৎচিনা হায়ফেৎ-হায়ফেৎ য়েংনবদু, ঐখোয়না চিন খুম্লগা নোকখি। ঐখোয়না লৈশাবী ফারকপা, নুংশিবগী তীলনা খরা খরা চিকপা হৌরকপা মতমদুদগী হৌনা লিকোন শান্নবকাদু অদুম্মক মাঙখরে।

পামজনা, হেক ঙল্লিবমখৈ চীংখদনা য়েংজখিবসি রাস লীলাগা, গৌড় লীলাগনি। অনীসিদি ফোঙদ্রিঙৈ হায়বদি, শঙ্গোয় নৎত্রগা মাঙ্গোন্দা তল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা চিংখদবমখৈ য়েংবা চৎলি, ইনাও নুপী অহুমশুবীদু পোরগা। মতমদুদদি জগোয় রাস লীলা কৎপা হায়দুনা মীয়াম মরক্তুগী ইনাক খুনবা অমদি থৱায় য়াওবশিংনা কৎনরম্মী। মখোয়গী মচা মশুশিংবু কৃষ্ণ, রাধা, চন্দ্রাবলি, মকোকচিংবী অমদি গোপীশিংনচিংবা শাহল্লি। মদুদা চঙগদবশিংদু মখোয় মশা মশানা পুথোক্লে। থা অমরোম তম্লবা মতুংদা মাণ্ডপশিংদা ফোঙদোকই। ফিজেৎ-লৈতেং, সনাফীগে, ৱাহোংচুরা পোৎলোইনচিংবা থোন্দুনা মানা মানা লৌরিবা রোলদুগী মতুং ইন্না ফিজেৎ লৈতেংই। গৌড় লীলাসু অদুমঙায়, চৈতৈন্য মহাপ্রভু, নিত্যাইনন্দ, গদাধর, বিষ্ণুপ্রিয়ানচিংবা শারিবা পূম্নমক্কী ইমুং ইমুংদুনা খায়গৎনরগা অচঙবা শেল পুথোকই। ঐখোয়না মতমদুদা য়েংখিবা রাস লীলা অমদি গৌর লীলা অসি শ্রী শ্রী নরসিংহ থাকুরগী মাণ্ডপ ককচীং পাজি লৈকায়দা লৈবসিদা শান্নবনা অয়াম্বনি। অয়ূক্তগী উশা মখল মথেল, চে অঙাঙবা, অশংবনচিংবনা মাণ্ডপ অদু লৈতেংবা হৌই। এল পি স্কুলদা কারিঙৈ মতমদদি য়াম্না নুংঙাই। অয়ূক্তা স্কুল চৎলুরগা, নুংথিলদগী অদুম শঙলগা লৈ। তৌববুদি হায়রিবা লীলাশিং অসি ছুটি নুমিৎকুম্বদা তাগল্লি। মীনা মাণ্ডপ অদুক চাউখ্রবদু কৃক কৃক ইন্নৈ। চাকঙন চারগা ফম্ফম কলহৌদ্রবদি নে তানা য়েংবা ফংবগী ৱা লৈতে। কৃষ্ণ থোক্লমদাইদা খোঙলকপা যন্ত্রগী খোঞ্জেলগা লোয়ননা মথক্তগী ৱাহোংনচিংবা থাদরক্লগা নোম নোম জগোয় শাবগী মওং উৎপদু কয়াদা হরাউ নুংঙাইনা য়েংজখিবা। গৌর লীলাদা মহাপ্রভুনা ফিজেৎ লৈতেংলদুনা শঙ্গোম চফূ মখ্বাংদা য়েপ্লগা কোয়চৎ চৎপা, ঈশৈ শকপীনা-

"শঙ্গোম চফূ নাকন্দা য়েপ
কোয়না কোয়না য়েংদুনা
লাক্লে লাক্লে নিমাইসে।"




গৌড় লীলাদা জগাইমঠাই মচিন মনাওদু কয়াদা কিজখিবা মখোয় হেক থোরকপগা মীৎ হেক্তমক উইশিনখিবনি। ঐনা খ্বাইদগী খোয়দাখিবা মতাংসি হি লানবগী তঙ্কক্তুনি। মতমদুদা ঐনা খনখি, মালেমগী খ্বাইদগী ফজবী নুপীসি হিরানবীদুনি।

অসুম্না রাস লীলাগী জগোয় ঈশৈশিং অদুগী মতৌ তমদুনা ইতৎ তত্তনা শান্নখি। মদুদা ঐনা কৃষ্ণ নৎত্রগা মহাপ্রভু শাদ্রবদি য়াওখিদে। করিগীনো খঙদে রাধা নৎত্রগা চন্দ্রাবলি শানীংবা ফাওখিদে। বিষ্ণুপ্রিয়াসু ওইনীংখিদে। কৃষ্ণ অমদি মহাপ্রভুবুদি য়াম্না কল্লকচখি। জগোয় ফোঙবা নুমিত্তা কৃষ্ণ শারিবদু মপানা পোরগা মাণ্ডপ ময়ায়দা পুশিল্লকপা, মোন্তেক্তা ফমহনবা, মরক মরক্তা তূম্লিংদনা কমলানচিংবা হৈরা, অচাপোৎ পীজবদু কল্লকপনা লোইবজাৎনি। মশক্তুসু পুংফদা ফজবোই খল্লি। মহাপ্রভুদুসু য়াম্না ওইনীংখি, নিত্যাইনন্দবুসু অদুক্কী মতিক নুংশিখি। তশেংনমক ঐনা মতমদুদা কৃষ্ণ নৎত্রগা মহাপ্রভু অমুক্তং শাবা ফংজরবদিকো হায়না খঞ্জখি। পাম্মনবদুনরা খঙদে লীলা অনীসিগী জগোয়, দাইলোগ, ঈশৈনচিংবা লোইনা চিনফা পুরম্মী, তৌথোরকপদা পকপা পক্তবনা অমনি। পামজখিবগী ৱাখক্তনি শাখিদে। ঐগী অপোকপা বাজিনা খ্বাইদগী তাথীখিবসি রাস লীলাগা, গৌড় লীলাগা অনীসিনি। মদুদবু ঐনা কৃষ্ণ, মহাপ্রভু শাগে হায়না করম্না নীংঙাই তৌরুনি। হৌজিক্তা অসুম খল্লুরগা ঙক্লিবসি মতমদুদা বাজিদো গীতা, রামায়ণ, মহাভারতনচিংবা লাইরিক অথাবদু নুংতিগী পাদনা তোক্তে। রামায়ণ, মহাভারতনচিংবগী হিন্দি ফিল্মশিংবুদি আজাদ হোলদা পুবিরগা থওইনা য়েংহল্লি। মতমগী মতুং ইন্না ককচীংদা রেদিও থম্নরকপা মতমদসু কৃষ্ণ পোকপগী, কংস হাৎপনচিংবগী রেদিও নাতক থৱায় য়াওনা তাই। ঐখোয়বুসু নমদুনা তাহল্লি। পূম্নমক্তুগী হায়রুরবদি মাগীদু রাস লীলা, গৌড় লীলাবু তাথীবগী ওইরমদৌ মান্দে। থা অমরোম তম্বগী মতম মাঙবা অমদি প্রোফেসনেল ওইবা মওংদা য়াওদবগী ওইরম্বসু য়াই। অমরোমদা নোংমগী চরা অনী ফাওবা কোন্নবোই কোন্নদবোই হিংবা পুন্সি তাঙ্ককনি। মদুগুম্বগী ৱাখল মাগী কোক্তা চঙলমগদবা মান্দে। ওইনীংবা ওইজসনু, ঐনা রাস লীলা অমদি গৌড় লীলাবু য়েংবা পামজখিবগা লোয়ননা কৃষ্ণ, মহাপ্রভু শাবা পামজখিবদু শাবা ফংদনা অঙাং ওইবগী চহী মতাংদু হেন্দোরকখ্রে।

সেপ্টেম্বর ৬, শগোলশেন নুমিৎতা শ্রী রাধা গোবিন্দ মাণ্ডপ, ককচীং খুনয়াই লৈকায়দা হি লানবা লীলা য়েংলুই, চেবাউ ফংবদগী। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী শেন্থং মখাদা হি লানবা লীলাগী শক্লাইরবা ওজা নিংথৌজম মেঞ্জোরনা অশিন অরাংগী থৌবুরেন ওসদুনা পাঙথোকপনি। মহীলা এসোসিএসন, ককচীং খুনয়ায় লৈকায়না অশিন অরাংগী থবক্তা মতেং পাংশিনবীখি। নুংথিল পুং ২দা হৌগদবা থৌরমনি। খরা থেঙথরপ হৌখি। শ্রী লাইপুবম উপেন্দ্র শর্ম্মা, দিরেক্টর জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি, ইম্ফালনা চীফ গেষ্ট, পদ্মশ্রী শৌগাইজম থানিলনা প্রসিদেন্ট অমসুং নত্যশ্রী কে বি শর্ম্মানা গেষ্ট ওফ ওনরগী ফমফমলাংদা লেঙশিনবীখি। স্কোলর অমসুং কলচরেল এক্টিভিষ্ট অমা ওইরিবা শ্রী নাওরেম চন্দ্রমনি অমদি শ্রী নিংথৌজম মেঞ্জোরনা হি লানবা লীলাগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অমদি মসি হৌরকখিবগী মরমদা মরীক চূম্বা ৱাফম থম্বীখি। ময়ায় তাংবলদা লেঙশিনবীখিবশিংনা মণিপুরগী ফজরবা কলচর অসি য়োকখৎনীংবগী অপাম্বদু ফোঙদোকপীখি। কে ঐচ সরতচন্দ্র, টিম লীদর কলচরেল ক্রুপ্পা থাগৎ ৱাহৈ থম্বীখি।

মতুং তারকপদা হি লানবা লীলা অদু উৎখি। শক্তম লাংখিবা/খিবীশিংদি - এন মেঞ্জোর (হিরানবা), ইন্দিরা (হিরানবী), রেনু (প্রভু), ভিক্টোরিয়া (নিত্যাইনন্দ) নি। ম্যুজিসিয়নশিংদি - ওকেন (পূঙ) অমসুং পিশকমচা (সুত্রধারি) নি। শক্তম লাংলিবশিং অমসুং ম্যুজিসিয়নশিংনা অশোয় অঙাম য়াওদনা মাগী মাগী হৈশিংবশিংদু উথোক্তুনা অয়েংবশিংগী পূক্নিং চিংশিনখি।

মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি অদুক য়াম্না নুংঙাইখ্রবা লীলা অদু মমাঙঙৈগী মতমগা য়েংনরুরবদি অয়েংবা মীগী মশীং য়াম্না ৱাৎলি। য়েংদবা নত্তে য়েংঙি, অদুবু মতম অমগী মাণ্ডপ চন্দবমখৈ কৃক-কৃক ইন্নবা, ৱা-ৱা নিনবদুমক্তি নত্তে। য়েংলিবশিংদুসু চহী ৫০গী মথক্কী মীওইশিংনা অয়াম্বনি। চহী ৫০গী মখাগী মীওই ৩/৪দি য়াওই হায়ববু, মদুনদি ওইবা য়াবা নত্তে। নুমিৎতুদা ওজা ইবুংঙো পদ্মশ্রী শৌগাইজম থানিলনা লমদমসিদা অসিগুম্লবা মমল য়াম্লবা কলাসি শিথরক্লবরা হায়বগী নুংনাংবা ফোঙদোকপীরম্মী। মদুমক অশেংবনি হায়জনীংই। অমরোমদদি হায়রিবা আর্ট অসি শিথফমদি থোক্তবনি। মরমদি মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা অসিগুম্লবা ফজরবা আর্ট অমসুং কলচর অসিবু য়োকখৎনবগীদমক শেন্থং থাদদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থৌরম কয়া পাঙথোকহল্লি। পূম্নমকসিগী মথক্তা মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তন অসি য়ুনেসকোগী রিপ্রজেন্টেটিব লিষ্ট ওফ ইন্টেনজিবল কলচরেল হেরিটেজ হ্যুমেনিটিদা কুমজা ২০১৩দা য়াওখ্রবনি। পূম্নমক অসিগী হায়রুরবদি মতম অমদা লৈরম্বা মণিপুরীশিং মশা মশাগী ঙমজবা পুথোক্লদুনা লমদম অসিগী কলচর অসিবু নুংশিনা য়োকখৎনবা হোৎনরম্মী। মতমদুগী পৈশা ইনাকখুনবা হায়রিবদু হৌজিক্কী মতমগী ইনাক খুনবশিংগা চাংদম্নরুরবদি করিসু নত্তে। অদুবু মখোয়দা অমাঙ অতোং থিদনা কখোকপগী ৱাখলনা মপূং ওইরম্মী। কখোকপা ঙমজদবশিংসু ইপা-ইপূশিংনা থম্বীরম্বা আর্ট ফোর্ম অসিবু অদুক্কী মতিক নুংশিজখিবরা খল্লি। মসিবু চাওখৎহনবা নৎত্রগা শিথহনবা হায়বসি ঐখোয় মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা নুংশিবা অমসুং কখোকপা ঙম্বগী পুকচেল চেনবা চেন্দবদা লৈরে।◀◀

## এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

### পৱন হন্স হেলিকোপ্টর অদু মিরাং ফাওবদি থাংহনগুমসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**মণিপুর** লৈঙাক্কা পৱন হন্সকগী মরক্তা য়ানখ্রবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমগী মখাদা ইম্ফাল সিটি অমসুং মসিদগী য়াম্না লাপ্না তামথোক্লা লৈখ্রবা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংগগী মরক্তা অতেনবা মতমগী মনুংদা চখোক-চৎশিন, য়ৌনা-খোৎনা তৌহন্নবগী অখন্নবা খুদোংচাবা খরা ফংহন্নবা হন্দক লৌখৎপীরক্লিবা খোঙথাং অসি থেংলবসু থেংনা মণিপুর মীয়াম্না হৌজিক্কী ওইনদি থাগৎনবদা হালেংনদ্রি। লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্না অসি য়ৌনা ফৎত্রবা ফাওবদা চীং-তম অনীগী মরী অদু খরা থুনা নকশিলহন্নীংবগী অনৌবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা অসিগুম্বা হেলি সার্ভিস অমা হৌদোকপীরকপসিদা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিদা য়াম্না খুমাঙ চাওশিনখ্রবা জপান হায়রিবা লৈবাক অদুগী চীংনুং মানুং হুত্তুনা চেল্লিবা বুল্লেট ত্রেন অদু খঙনীং নীংশিংলক্তুনা ইমা লৈবাক মণিপুরসু অসুম্না চাওখৎলমাল্লে হায়না খল্লিবনি।

ৱাফম অমনা হেলিকোপ্টর অতোংবা মী অমনা মিনট ১ তোংবদা য়ামদ্রবদা লুপা ১০০গী চাংদা অতোংমল ওইবনিনা মিনট ৪০ চঙনা তোংলবদি পূন্না অতোংমল ওইনা মী অমনা লুপা ৪০০ তিংগদৌরিবনি। লৈঙাক্কী ওফিসল ভিজিট, ইনাক-কৈরাক খুনবা, য়াইতোং-খমদোংবা, মচিন তোংবা অসিনচিংবা মীশকশিং অসি নত্তনা লায়রবা মীচম মীয়ামগী অনা-অয়েক, অথু-অকায়, লল্লোন-ইতিক্লচিংবগী মতাংদদি থোইদোক্লা খুদোংচাবা লৈগনি খন্দে। তঙাইফদবা হায়বা অদু ফনা লৈদুনসু শেল-থুমগী ফীভম য়াম্না শোকচিল্লবা, নোং-চীং, য়ুহারাবা অমসুং চীং নীংখায়বনচিংবগী ফত্তবা ফীভম্না মরম ওইদুনা হেলি সার্ভিস তৌবদা খুদোংচাদবা থোরক্লবা, হেলিকোপ্টর তোংফম য়ৌগদৌরিবা চীং-লম্বী, থোংশিং অদু ফীভম য়াম্না চাদ্রবা, অসিগীসু মথক্তা পাক-চাউখ্রবা মণিপুরগী চীংগী শরুক্তা য়াম্না তাম্না মনুং হঞ্জিন্না লৈখ্রবা খুঞ্জাশিং অদুবুদি লোইনা পেলহনবদি ঙল্লোইদবনিনা অসিগুম্বা খোঙথাং অসি পংলাউ-লাউনা হেক কানবা য়ারোইদবা তরাইবা থবক্তি ওইরোইদৌরিবনি। মতাং-মমেন চারক্তবা তাঞ্জা অদু করিগুম্বা থোরকপা তারগদি খোই মহুমদা চৈনা থিল্লুবগী ফীভম ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী 'চীংদা চৎসি' হায়বা পান্দম অসি হৌদোক্লিঙৈদা ইচিন-ইনাও নাগা-কুকি ফুরুপ মশেলগী মরক্তা থোকহৈদবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা খুদোংথীবা নংলিবশিংগী মফমদা ঙমজবা তেংবাঙ খরদং পীরুনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী য়াথং অমগী মতুং ইন্না তমেংলোংদা লৈরিবা মঙাশুবা মণিপুর রাইফলসকী থৌনা ফরবা মতম অদুগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্টকী লমজিং মখাদা 'চীংদোল য়ৌনা কাসি' হায়বা মিসন মচা অমা শেমদুনা Vangai Range কী ৱাংলবা, ঙমখ্রবা চীংদোল অনী য়ৌনা কারুরে। চীংদোল অমা য়ৌনবা অয়ূক্কী পুং ৭তগী কাবা হৌবদুনা নুমিৎয়ুংবগী পুং ১২ অদুৱাইদা য়ৌদুনা পুং ৫ রোম চঙই। চীং মথক্তা লৈরল্লিবা খুদোংথীবা নংলল্লিবা খুঞ্জাশিং অদু ঙাইহাক পুং ১ রোম মতেং খরা পাংবিরম্লগা ঐখোয়গী খোঙবু অদু চীংদোলদগী কুমথরকপা হৌরকই। কুমথরকপনিনা মতম চঙবা খরা হন্থরবসু অৱাংবা উ-ৱা, নারক-মোংশোং ঙাক্তা ওইবতা নত্তনা নুমিৎনা চীংগী মরুমদা থুনা লৈথখিবনা চীংখা য়ৌবদদি মল্লি-মল্লি তৌরে।

চীংদোল য়ৌরুবদা খুঞ্জাশিংগী থম্মোয়দা মুৎলমদ্রিবা মৈচাক অমসুং মৈখু কানা চাক্লিবা লন-থুম পুক্কেগী শারবা মৈরি অদু মতম অদুদা হেলি সার্ভিসকী তেংবাঙ মতিক চানা পীবিরম্লবদি য়াম্না নিংথিনা ঙম্বমখৈ মুখৎপা য়ারমগনি খল্লি। লম্বী-থোংগী মতাংদা হায়রগনা চীংগী কিলোমিটর ১গা তম্পাক্কী কিলোমিটর অমগা খোঙনা চৎনবদা কয়াম খেন্নবগে হায়বদু খঙবা ঙমই। চীং লম্বীশিং অদু য়াম্না ঙমই, থেক্কোয় নাকোয় তৌই, ইশং কাবা অনানবা নূং ঙাক্তনা কুদুক-কদাক লাউহল্লি, তিঙ্খং পানবা নাপী-শিংনাং য়াম্না হৌই অমসুং লম্বীগী নাকন্দা য়েংথবদা লুর-লুরবা চপ-য়ুংবা লোকচপ কয়াসু লৈরিবনি। অদুগুম্বা লম্বীশিং অমদি মরক মরক্তা লৈরিবা উ-ৱানা শাবা থোংশিং অদু শোয়দ-ঙামদনা খোঙনা চৎনবা অমসুং লান্নবা হোৎনবদা শা-কৈগী ৱাখলদি খনবু খল্লুদ্রে। শুপ্নতগী মখোঙ অনী পানবা মীনা খোঙনা চৎপা নত্তনা অতৈ গাড়ীনা, করিনা চৎপা ঙম্বগী মতিক নত্তে। শম্না হায়রবদা লৈহৌরিবা খুঞ্জাশিং অদু নুমিৎ মশক উদবমখৈ অমম্বা মরক্তা পুন্সি হিংদুনা লৈহৌরিবনি হায়বদা থোইনদুম লাল্লরোই। অসিনচিংবা খরা অসি খোঙনা 'চীংদোল য়ৌনা কাসি' হায়বা মিসন চৎলুবগী ঐগী থম্মোয়গী দেরি (Diary) দা ইশিঞ্জরকপা থেংনরকপা এক্সপরিয়েন্স অমসুং পাউদমশিং খরনি।

হৌজিক হেলি সার্ভিস অসি ঙাক্তা পেন্থোকপা ইয়া য়াবা নৎত্রি। পূন্না য়েংবা মতমদা কংফালগী লম্বী-থোংনা হেন্না থৌদাং লৌরিবনি। ঙক্লিংঙাইদি ওইদে খরা হেন্না খন্ননীংঙাই অমসুং পাঙথোকহন্নীংঙাই ওই হায়বগী ৱাফমনি। মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎলি হায়নরিবা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরকপসু ফনা মকুইরে, ষ্টেটহুদ ফংবসু ফনা মকুইরক্লে, লৈঙাক-সাসনসু মখল-মথেল কয়া হৌখ্রে, মীরোল কয়াসু চৎখ্রে, চিন্দা-লৈতোন্দা ব্রেং-ব্রেং ঙাঙবা দিল্লিৱালা, মণিপুরৱালা ফম্নাইবা-ফম্নাইবীশিং কয়াসু লৈখ্রে। অদুবু থাদা কাপখৎনবা রোকেট শাবিয়ু হায়জবসু নত্তে, অশিবা হকচাংবু হিংগৎহল্লু হায়বসু নত্তে, করিগীদমক্তনো অমসুং কমদৌননো ঙসি ফাওবা চীং অমসুং তম্পাক অনীমক্কী লম্বী-থোংশিং অসি কুম পুদুনা অসুক ফীভম শোক্লা লৈহল্লিবসি। চীংদদি লায়রদনা তম্পাক্কী লম্বীশিংদা কোয়লাস থাবফাওবা মশক-মচু নিংথিনা থোকহন্দুনা থাবা ঙমদবদগী লম্বীশিংগী ফীভম অদু ফৎচিল্লক্তবনা হাঞ্জিল্লকই। করিসু নত্তবদা লম্বী-থোংগী খুদোংথীবা কয়া থোক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি কেমখ্রবনি। লৈবাক্কী থবক থৌরম খুদিংমক নেসনলগীনি, ষ্টেটকী ইস্যু নত্তে হায়বনচিংবা অমরোমদা হায়রগা ইরমদমগী লৈঙাক-সাসন অসি মীঙোন্দা শিন্নথোকপা হায়বদুনি। অদুনদি মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা অতিয়াদা কুফেৎ-কাফেৎ তৌরিবা অমকপা থৱান্মীচাক অমগুম মুৎসি-মুৎসি ঙান্দুনা অদুম লৈবা তাবনি। কনানা খঙগনি থৱান্মীচাক অদু মতম খরা উরম্বদগী খংমম-মমখিদুনা মতম পূম্বগী ওইনা মাঙখিবসু য়ারিবনি।

অরোইবদা, খুদিংমক অসি য়েংলুরগা মণিপুরগী হান্নগী লম্বী-থোংশিং অসি মতমগা চুনবা মওংদা শেমদোক-শেমজিন তৌবিবগা লোয়ননা মফম চাবা য়েং-য়েংদুনা অনৌবা মপাঙ্গল লৈগদবা লম্বী-থোংশিং মতমগী মতুং ইন্না মশীং হেনগৎহনবা মথৌ তাই। লোয়ন-লোয়ননা হন্দক হৌদোরক্লিবা হেলি-সার্ভিসকী হেলিকোপ্টরশিং অদু মতম অমগী এম এস টিগী বসশিংগুম থুনা মিরাং থাংহন্দনবা তুং কোয়না লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙমজবা ওইসনু হায়দুনা তাইবঙ মপূ ইবুংঙোদা খুরুমজরি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা লম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

### এম য়ুগী ৱাথোক্তা সেন্তরনা মণিপুর মীয়াম্বু হকথেংননা হক মৎপীরে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মণিপুর* য়ুনিভর্সিটি নুমিৎ ৮৫নি হেন্না ঈরাং লৈরুরবা মতুং হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্তুনা সেপ্টেম্বর ১দা ভি সী এ পি পান্দে ছুটি শাংদোকহনখ্রে। ছুটি শাংদোক্তুনা লৈবা মতম অদুদা মহাক্লা এম য়ুগী ওফিস তোঙান্না কা ৱাইরগা ওফিস হাংদুনা থবক তৌদুনা লৈবগী পাউ অমুক তানখ্রে। মতমদুদা লিভতা লৈবা মানা মখল মখাগী ওর্দর কয়ামুক থোকচিন্দুনা ঈরাং অমুক শাগৎখি। মতুংদা ঐচ আর দিগী ওর্দর অমনা অমুক মহাক সস্পেন্দ তৌরে হায়রে। মসিদা অমুক মাগা নেক ইন নেক চৎমিন্নদুনা কন্সপিরেন্সি খুদিং তান্নমিন্নবা মীওই অনী অমুক প্রো ভি সী অমদি রেজিষ্ট্রার ওইনা হাপচিন্দুনা অচাকপা মৈদা ঘী হৈজিনবগুম্বা অমা অমুক তৌশিন্দুনা ঈরাং হৌহন্দুনা মণিপুরগী অরৈবা পুলিস শীজিন্নদুনা মহৈরোয় অমদি ওজাশিং ফাজিল্লে, কয়া অমনা লৈফম খঙহন্দ্রে। অসুম্না কলম পায়বা থাঙ-তেন পায়দবা ওজা অমসুং মহৈরোয়দা ওনশিল্লিবা নোংমৈ মতোন অদু সেন্তরনা আইন খ্বাইদগী থুগাইবা এন এস সী এন (আই-এম) গা সিজ ফায়র তৌনবদা মণিপুর য়াওদে, মদুদা ওনশিনবা ওইরবদি মীয়াম্না পেন্নগনি। সেপ্টেম্বর ২৩গী নুমিদাং পুং ৭.৩০দা খূৎলায় পায়বা আই এমগী কাদর কয়ানা গাড়ী ১৮দা নোংমৈ মফম মরাং খঙদনা পংকাপ্তা কাপ্পা, পৈশা কয়া লুট তৌহৌবা অসিদা মণিপুরগী সিক্যুরিটি পার্সনেল কয়া থাজিনবনা মরম চাই হায়বসিনি। কনবদগী কনবসি কলমনি। কলম্না থাংদগী, নোংমৈদগী হেন্না থৌই হায়বসি মালেম্না য়ানরবা ৱাফমনি। অদুবু কলম পায়বা ওজা অমসুং মহৈরোয়দা নোংমৈ মতোন ওনশিনবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে। ঙসি লমদমসিগী ঙমখৈদা, য়ুনিটিদা অমদি চাকহোন লম্বী ওইরিবা কয়াসিদা এন্টি সোসল এলিমেন্ট কয়ানা ইতৎ-তত্তনা অকায়বা তৌরকপদা লমদম অসি আইন চৎপা লৈপাকনি হায়বা চপ চানা খঙহনফম থোকই।

হৌখিবা কোংগ্রেস লৈঙাক মতমদা আই-এম চঙলক্লবা হোৎনবদা অকনবা ষ্টেট ফোর্স কয়া থাজিন্দুনা থিংখিবদগী চঙবা ঙমহনখিদে। মদুগী ফল ওইনা চীংগী নাগানি খঞ্জবা মীওই কয়াগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা মতমদুগী সী এম চঙহনখিদবনি। মসিমক লায়না লৌফম থোক্তে। অদুনা ষ্টেট অসিদা লৈবা মীওই অমা ওইনা ঐখোয় খুদিং ঐখোয়গী শক্তম কনবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। মসিদি অমগী অমগী ৱাফম নত্তবীদা মণিপুরগী মনুংদা নাগালেন্দগী নাগা কয়াগী মশা মরেং কয়ানা লুট তৌবা, লম্বী থিংবা, মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টপু নাগালেন্দগী মফমনি হায়রদুনা এমসুগী মীওই কয়াদা ফোংনা শিংনরকপা অসিনা ময়েক শেংই। হেন্না শাথিরিবসি হন্দক্কী গাড়ী ১৮দা লুট তৌরকপসি ইরায় লায়না খন্দুনা তুমিন্না লৈশিনবনা অফবা ওইরক্লোই। মহৈরোয়শিংদি মশাগী ফিবান্নুংদা মশাগী হক তাঞ্জবনি। এন এস সী এন (আই-এম) গী দিমান্দ অসিদি মণিপুরদা চৎনবা আইনগী মায়োক্তনি। মসি ঐখোয় খুদিংনা খঙফম থোকই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ*
*ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

মরোল থোকপা লাই

